অঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৯.০০ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ২০.০০ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৬.৭০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০১

Important Phone Nos.

RIMS	2414478
J.N. Hospital	2450385
DG Control	2450100

FIRE SERVICE

Imphal	101
Moirang	8415925197
Churachandpur	8415925191
Thoubal	8415925203
Kakching	8415925194
Jiribam	8415925193
Mayang Imphal	8415925196
Bishnupur	8415925190
Moreh	8415925198
Kangpokpi	8415925195
Ukhrul	8415925205
Senapati	8415925199
Chandel	8415925192
Singhat	8415925201
Sugnu	8415925202
Yairipok	8415925206

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	85.652503
US Dollar	75.593202
British Pound	95.813761
Australian Dollar	52.798194
Chinese Yuan Renminbi	10.659043
Japanese Yen	0.692165
Malaysian Ringgit	17.720918
Singapore Dollar	54.290994
South Korean Won	0.062688
Saudi Arabian Riyal	20.158187
Thai Baht	2.402996
Myanmar Kyat	0.05396
Bangladesh Taka	0.89065

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	Rs	46117.00
Mumbai	Rs	46538.00
Delhi	Rs	46390.00
Kolkata	Rs	46141.00

GAS NEWS

MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto : 05/05/2020
Valid From : 11/04/2020
For delivery service Please Contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM

MANIPUR POLICE GAS SERVICE
Booking Date : 02/03/2020
Payment at office Time: 11am to 2pmFor booking Contact no. 6009548119/9863711166

MM GAS SERVICE
Booking Upto : 07/04/2020
Valid From : 17/03/2020
HOME DELIVERY ONLY TIMING : 8:00 AM TO 12:00 noon
For Thangmeiband Area Please Contact /SMS/WHATSAPP TO 8131852580 /9366320643
For Uripok Area PLEASE CONTACT/SMS/WHATSAPP TO 6009885600/7085198900
For Other Area PLEASE CONTACT/SMS/WHATSAPP TO 9612009063 /9862792731

R & H IRILBUNG
Only Home Dellivery
Booking Upto : 02/03/2020
Valid From : 18/02/2020
Stk : 612
Contact no. 9862640159/8132036940/9366013547

CANCHI SERVICE INDANE
Booking Upto : 18/04/2020
Valid From : 24/03/2020
5kg UJJWALA STOCK AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
Contact Nos.
KWAKEITHEL # 6909634960 & 8794191632
NAOREM LEIKAI # 7085732827
BOOKING COUNTER OPEN
TIMING 08.00 to 12.00 noon

K&K INDANE SERVICE
Booking Upto Sl.No.- 100 A&B dt 09/05/2020
Valid From : 05/05/2020
Time : 7.30am to 11.00am
Gas booking counter open at Tera Bazar Office
Time : 8.00am to 12.00noon

TANGLEI GAS OINAM
Booking Upto : 21/04/2020
Valid From : 16/04/2020
Stk : 306
7.00am to 10.00am
19kg Stock Available
Home Delivery Number
8729808192

HRANGCHAL GAS AGENCY OLD LAMBULAND
Booking Upto : 18/03/2020
Valid From : 16/03/2020
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866(call+whatsapp)
TIMING: 8:00AM to 12:00PM
(HOME DELIVERY ONLY)

JEMON GAS SERVICE CHINGAMATHAK
Booking Upto : 03/03/2020
Valid From : 15/02/2020
Stk : 306
Time : 08:00 to 11:00am
Home Delivery Contact
Whatsapp No. 9436039984 SMS No. 70630076597
Gas Booking counter Open at Singjamei Chingamathak

MAHALAKSMI INDANE
Booking Upto : 24/04/2020
Bk Sl. Upto – 295492
Valid From : 01/04/2020
Only home delivery
Contact Timing - 10 am to 12 noon.
9862312969 # 8414929709

ASHANGBI INDANE SUGNU
Booking Upto : 31/03/2020
Valid From : 16/03/2020
Stk : 306
Only home delivery call to 7629966437
from 8.00 am to 2.00pm

KHURKHUL HEIKHAM INDANE
Notice: Respected customers if you have booking between 06/02/2020 to 20/04/2020 then please contact to this number:8974961402 during office hours 9.00am to 2.00pm

SAWOMBUNG'S INDANE
Booking Upto : 11/04/2020
Valid From : 23/03/2020
Stk : 306
Home delivery only
Contact number # 6033854884
Time : 8.00 AM to 11.00 AM

GBD INDANE LAMLONG
Booking Upto : 21/02//2020
Valid From : 15/02/2020
Stk : 388
All Customers are Home Delivery
Working hours 7:30 AM-12.00Noon
Contact no. 7629947179 for Refill Order and Enquiry Only
Contact No. 7629947187 for Booking only

IMPHAL LPG SERVICE
Booking Upto : 13/05/2020
Valid From : 05/04/2020
Serial No. – 1957
Given 5time for phone booking
no more chance 19kg commercial cylinder available
5kg available
Home delivery only
Delivery on payment at Heinoupok office
Time : 8.00 a.m. onwards
Contact Number # 6009392991 or 8131853129
Use WhatsApp number for booking
7588888824

চীফ মিনিষ্টরনা মহারাজ গম্ভীর সিংহগী নীংশিং খুভম, বীর টিকেন্দ্রজিৎ পার্ক, রানি গাইদিনলিয়ু পার্কতা উ-চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস) : ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে ২০২০ পাঙথোকখিবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংদুনা ঙসি মহারাজ গম্ভীর সিংহগী নীংশিং খুভম, বীর টিকেন্দ্রজিৎ পার্ক অমসুং রানি গাইদিনলিয়ু পার্কতা উ-চারাশিং থাখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, অকোয়বগী ফীভম ঙাক শেন্দুনা মীওইবগী পুন্সি কন্নবগী পান্দমদা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোকপনি। মীওইবনা মহৌশাগী খল কায়হল্লুবা মরম্না গ্লোবেল ৱার্মিং, অঈং-অশা হোংলকপা অমসুং মহৌশাগী মাঙহন-তাকহনবা থৌদোক কয়া থোরকপনি। মীওইবা মহৌশা ইমাগী মতেং লৌরগা হিংলি। মহৌশা ইমানদি মীওইবগী মতেং মথৌ তাদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

উমং অমদি লম্লক্কী শাশিং ঙাকপী-শেনবীবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মালেম অসিবু ঙাক শেন্নবা মথৌ তাবা থৌরাং কয়া লৌখৎফম থোক্লে। ষ্টেট অসিদা উমংগী ফীভম ঙাক শেন্দুনা থম্নবগীদমক লৈঙাক্না গ্রীন মণিপুর মিসন হৌদোকখ্রে। তোঙান-তোঙানবা মফমদা উ-চারা থাদুনা অশং-অমান্না থন্নবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনরি। গ্রীন মণিপুর মিসন মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা মীয়াম্নসু অঙন্বা থাক্তা মতেং পাংবীয়ু হায়না মহাক্না আপিল তৌখি।

কোভিদ-১৯গী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মীপুম খূদিংমক চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা ৱর্ল্ড হেল্ঠ ওর্গনাইজেসন, হেল্ঠ মিনিষ্ট্রি অমদি মেদিকেল এক্সপার্টশিংনা পীবা গাইদলাইন, প্রোটোকোল অমসুং কাঙলোন ঙাক্না চৎত্রবদি খুদোংথিনিঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি মীওই অমদা হেক্তা লৌনরকপা য়াই।

লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরুবা মণিপুরগী মীওই ৩৫,০০০ হেন্না হল্লক্লে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, কোভিদ-১৯ শনে দারকপা থিংনবগী মতাংদা লৈঙাক্না অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে। লাইচৎ অসি থেংননবা হোৎনবদা ফ্রন্ট লাইন ৱার্করশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং লোকল ভলন্টিয়রশিংনা লৌরিবা থৌদাং শীংথানিংঙাই ওই। মীয়াম্না মপুং ফানা কোওপরেসন পীরকপদগী হৌজিক ফাওবা ষ্টেট অসিদা কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী থাক য়ৌরক্তবনি।

মপান্দগী হল্লক্লিবা মীওই পুম্নমক্সু লৈঙাক্কী গাইদলাইন অমদি ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) ঙাক্না চৎপীয়ু হায়না আপিল তৌরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মীপুম খূদিংমক অমত্তা ওইনা খুৎশন্নরবা মতমদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিনবা ঙমগনি।

ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাই, কঞ্জুমর এফেয়র্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিনিষ্টর করাম শ্যাম, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রো, এল দি এগী চেয়রমেন এল সুসিলদ্রো, মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্কর্স ৱেলফেয়র বোর্দকী চেয়রমেন ঐচ দিঙ্গো, চীফ মিনিষ্টরগী এদভাইজর কে লৈসিয়ো, য়াইস্কুল এ সীগী এম এল এ, টি ঐচ সত্যব্রত, এদিসনল চীফ সেক্রেটরি (ফোরেষ্ট) এম ঐচ খান অমদি অতে মীওই কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা 'বাইওদাইভর্সিটি' হায়বা থীমদা ষ্টেট লেভেল ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে ২০২০ পাঙথোকখিবনি।

কুমজা ২০০১গী সেন্সস রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা দিলিমিটেসন তৌবীগনু : য়ু পি এফ

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০০১গী সেন্সস রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা দিলিমিটেসন তৌবীগনু হায়না য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) মণিপুরগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি পব্লিসিটি এম সুনিলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কনষ্টিট্যুসন-শিংগী আর্টিকলশিংগী মতুংইন্না লমদম অমবু নৌনা দিলিমিটেসন তৌবা হায়বসি চহী ১০/১০ লৈরগা তৌবনি। সেন্সস রিপোর্ট লৌগদবনি। রিপোর্ট অদু অচুম্বদা য়ুম্ফম ওইবা রিপোর্ট ওইগদবনি। মদুগী মতাংদা দিলিমিটেসন তৌবগী অয়াবা লৈঙাক্না পীগদবনি। হন্দক্কী অসি থারগা মরিরকশুবা ওইনা দিলিমিটেসন তৌগদবনি। কুমজা ২০০১গী সেন্সসকী মতুংইন্না মী য়াম্না কুংনা তাবা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পোপ্যুলেসন অসি চাদা ১৫দগী ১৯ ফাওবগী চাংদা হেনগৎলি। মফম খরদনা চাং য়াম্না ৱাংনা হেনগৎপা য়াওরি। অরানবা সেন্সসতা য়ুম্ফম ওইরগা দিলিমিটেসন তৌবা য়াফম থোক্তে।

জিরিবাম থারগা তম্পাক্কী কনষ্টিট্যুএন্সি ৮দা লৈরিবা মফমশিং অসিদা ভোট থাদবা ফংলগা লেপ্পদি য়াহন্দবা হায়বসি মীওই অমগী সিটিজন্সিপ রাইট মৎপগী ফীভমনি। মসি শেমদোকপা মথৌ তারি। দিলিমিটেসন তৌবদা এদমিনিষ্ট্রেসনগী খুদোংচাগদবা মওংদা তৌবা মথৌ তাই। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা দিলিমিটেসন অসি অচুম্বদা য়ুম্ফম ওইবীয়ু। কুমজা ২০০১গী সেন্সসতা য়ুম্ফম ওইরগা তৌবীগনু। মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট খরদা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভমনা অকায়বা লাকপা য়াই হায়না কুমজা ২০২৬ ফাওবা ফ্রিজ তৌদুনা থমখি। হন্দক ইখঙ খঙহৌদনা কোভিদ-১৯গী লায়না মরক অসিদা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা গেজেট নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা ষ্টেট মরি অসি নৌনা দিলিমিটেসন তৌনবা কম্মিসন শেম্লক্তুনা এসোসিএট মেম্বরশিং হাপখি। সিটিং এম এল এ ৫, এম পি ২ পুন্না খন্দুনা দিলিমিটেসন কম্মিটি শেমদুনা থবক পায়খৎনবগী ঙাইরিবা অসি মণিপুর মীয়ামগী য়েংবীদুনা অচুম্বা রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা দিলিমিটেসন তৌগদবনি। নৎত্রবদি মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা চীং-তমগী মরীদা অকায়বা কয়া থোক্লক্তুনা লমদম অসিদা হান্নদগী নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নরক্লিবা ফুরুপশিংদা অকায়বা পীরকপা য়াই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

সনা কোনুংগী সনামহী চেঙ হোংবা থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস) : উত্রা শঙলেন সনা কোনুংনা শীন্দুনা লৈবাক নিংথৌগী মশিলগী মনুং চন্না ইঙা থাগী ১৫ নি পানবা থানিল নুমীৎ লাইনিংথৌ সনামহী চেঙ হোংবগী থৌরম উত্রা শঙলেন সনা কোনুংদা মৈদিংঙু সনাজাওবনা কোনুংগী ফম্নাইবশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা লুচিংদুনা পাঙথোকপা সনামহী চেঙ হোংবা থৌরমদা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবন হায়খি, কোভিদ-১৯গী ফীভম য়েংলগা মমিংতগী ওইনা লাইগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। লায়না-লাইচৎ অসিগী ঙাক্কদবা কাঙলোন, সোসল দিষ্টেন্সিংনচিংবা ঙাকখি। মীয়াম তীন্দবা হায়বা কাঙলোন অদু ঙাক্না থৌরম অসি পাঙথোকপনি। কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসি লৈতবা ওইরসনু।

থৌরম অসি পানা মরিগী লাকপশিং, সনা পালা, অমাইবা-অমাইবী, পেনা লোয়শঙ ৩ অমদি দল্লিয়ু এ এস দি এগী থৌমীশিং য়াওনা লাইনিংথৌ সনামহীগী মফমদা চেঙ হৈদুনা পাঙথোকখি হায়রি।

পি পি ঈ শাবা হৌরে, লৈঙাক্না পীবা লেবোরেটরি টেষ্টিং সেন্টরদা থারগনি : ধনচন্দ্র

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯ ঙাকথোকপদা চঙদবা য়াদ্রবা পর্সনেল প্রোটেক্সন ইক্বিপমেন্ট সার্টিফাইদ ফংখ্রবা ফার্মদগী কল্লেক্ট তৌবগা লোয়ননা শাবা হৌরে। টেষ্টিং তৌনবগীদমক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পীরিবা লেবোরেটরি ইক্বিপমেন্ট টেষ্টিং সেন্টরদা থারগনি হায়না রোমি ইন্দষ্ট্রিগী প্রোপ্রাইটর ধনচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ক্বাকৈথেলদা লৈবা ইন্দষ্ট্রি অসিদা পাউমীশিংগা উনবদা ধনচন্দ্রনা হায়খি, ফ্রন্ট লাইনদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা শীজিন্নবদা সেভ ওইবা পি পি ঈ মরাং কায়না ফংহন্নবা হোৎনরি। পি পি ঈ শারিবা ফি অসি সার্টিফাইদ তৌরবা ফার্ম সিতারা, দি আর দি ও-দি আর দি ঈ অমসুং ওর্দিনান্স ফেক্টরি মুরানগরনা অয়াবা পীরবা ফিনা শাবনি। মমাঙদা পুথোকখিবা পি পি ঈ মখল অসি নুংশিৎ চঙদবনা মরম ওইরগা শীজিন্নবদা সেভ ওইরবসু পি পি ঈ অসিবু শীজিন্নরিবা মীওই অদুদা কা-হেন্না শাহনবনা কুইনা শীজিন্নবা ঙমদবগী খুদোংচাদবা থেংনৈ। এস এস এম এস এস হায়রিবা ফি মখল অসিনা নৌনা তুরিবা পি পি ঈ অসি নুমীৎ চুপ্পা অমা শীজিন্নরবসু খুদোংচাদবা মায়োক্লরোই। কোভিদ-১৯ লায়না ঙাকথোকপগী মথক্তা শাবগী অৱাবা মায়োক্লরোই। পি পি ঈ মখল অসিগী সেম্পল টেষ্ট তৌনবগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্না পীরিবা লেবোরেটরি ইক্বিপমেন্ট টেষ্টিং সেন্টরদা থারগনি। মখোয়না সার্টিফাইদ তৌরকপগী মতুংইন্না মীয়ামদা পি পি ঈশিং অসি মরাং কায়না ফংহল্লগনি। সার্টিফাইদ তৌরবা ফেব্রিকনা শাবা পি পি ঈ মখল অসি হৌজিক টেষ্টিংগীদমক থাখিবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ওজাশিং পূক্নিং থৌগৎকদৌরি

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস) : লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ুনা অৱাবা মায়োক্লরবা লন্নাই স্কুলদা ওজা ওইরিবা অমদি থবক তৌরিবা মীওইশিংবু অৱাবা খজিক্তা ওইরবসু কোক্লবা প্রোগ্রেসিভ ইংলিস স্কুল, লমদিংগী স্কুলদা ওজা ওইরিবা অমদি থবক তৌরিবা লমদিংগী লৈকায় ৫ দা লৈরিবা অৱাবা নংলবা ইমুংশিংদা শেলগী মতেং পীগদৌরি। লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎনা লন্নাই শেল পুথোক্তুনা ওজাশিংবু মতেং পাংনবা শেম-শারি।

ওজাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা অসিদা ঈকায় খুম্নদুনা মতেং পীনবা শেম-শাবনি। মীয়াম্না লায়রবা ওজাশিংবু মীনুংশিগা লোয়ননা মতেং পাংবীবা থেংনদে। লৈঙাক্নসু শোত্থরবা ওজাশিংগীদমক অখন্নবা থৌরাং পায়খৎপা মতম ওইরে। লন্নাই স্কুলদা থবক তৌরিবা ওজাশিংনা অৱাবা কয়া থেংনৈ। ওজাগী অৱাবা য়েংদুনা মতেং পাংনবা হোৎনবনি। ঙমজবা মতেং খরদং লমদিংগী লৈকায় ৫ দা লৈবা ওজাশিংদা পীনবগীদমক শেম-শারি। অৱাবা নংলবা ইমুংশিং অসিগীদমক তঙাইফদনা মতেং পাংগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

সিনাম কোম খুনদা এম পিগা লোয়ননা সেম পান্বী থাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস) : সিনাম কোম খুনদা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরমগা লোয়ননা এম পি, আর কে রঞ্জননা য়াওনা সেম পান্বী থাখ্রে।

দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্ট, ক্বাকলৈ এন্দ খোঙ্গুন মেলৈ ওর্কিদস প্রাইভেট লিমিটেদ, টি এম ঐচ গ্রীন প্রাইভেট লিমিটেদ, জপান অমদি অপূনবা ইমাগী মচাশিংনা শীন্দুনা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

থৌরমদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এম দি, ডা. রঞ্জননা হায়খি, কুমজা ১৮৭৪গী জুন ৫দগী ইনভাইরনমেন্ট দে পাঙথোকপা হৌই। মণিপুরদা চীং-পাৎ, তুরেল মরাং কায়না লৈ। পাৎ ৫০০ লৈরম্মী হায়রবসু ঙসিদি লৈত্রে। পাৎ মাংশিল্লকপা হায়বসি অফবা নত্তে। মণিপুরগী তম্পাক্কী অকোয়বদা লৈরিবা চীং কয়া য়েংশিন্দুনা য়োকখৎলম্মনি। থায়নাগী অহলশিংনা অমদি চীংমী-তম্মীনা উ-ৱা অসি লাই ওইনা লাৎলম্মী হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা সী এস আই আর-এন ঈ আই এস টি ব্রাঞ্চ লেবোরেটরি ইম্ফালগী সিনিয়র প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট ডা. ঐচ বিরকুমারনা হায়খি, মণিপুরদা ফজবা মফম য়াম্না লৈ। উ থাবদা অমাংবা অমত্তা লৈতে। ঐখোয়গী পুন্সিদি উ পান্বীগী মখাদা হিংলিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এম পি এস সীগী হান্নগী চেয়রমেন ডা. কোন্সম হিমালয়না মহৌশাগী অঈং-অশাগী খল অমদি মতম অমদা ঙা ফাবগী মওংনচিংবা কয়া থমখি।

য়ানবা পুরক্খ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস) : ভারতিয়া জনতা য়ুব মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী থৌমীশিংনা আই এস টি ভিগী ওফিসতা লাক্তুনা চথখিবা থৌওং অদুগী মতাংদা ঙসি ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু), এদিটরস গিল্দ মণিপুর (ঈ জি এম), আই এস টি ভি ন্যুজগী মীহুৎ অমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মীহুৎকা পুন্না মণিপুর প্রেস ক্লবতা ফম্মিন্নদুনা য়ানবা পুরকখ্রে হায়না অমজুগী জেনরেল সেক্রেটরি খ্বাইরাকপম নাওবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মীফম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মায়কৈদগী থোকখিবা থৌদোক্তুগী মতাংদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। মায়কৈ অনীনা পুন্না ফম্মিন্নদুনা য়ানবা অমা পুরক্লবনিনা অমজু অমদি ঈ জি এমনা জুন ২ দা লৌখিবা ৱারেপ অদু হন্দোক্লে হায়নসু অমজুগী চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

উ থাবা য়াবা মফমশিংদা থাজিন্দুনা ইনভাইরনমেন্ট কনসি : জোতিন

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস) : উ থাবা য়াবা মফমশিংদা ঐখোয়না উ-চারাশিং থাজিন্দুনা ইনভাইরনমেন্ট কনবদা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট জোতিন ৱাইখোমনা ঙসি তরুং ভিলেজদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পি থাংমৈবন্দ মন্দলনা শীন্দুনা তরুং ভিলেজগী অকোয়বা মফম কয়াদা উ-চারাশিং থাখি। বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ৱাঙাংলোয় ডা. নিমাইচান্দ লুৱাং অমদি ভাইস প্রসিদেন্ট জোতিন ৱাইখোমনা লুচিংদুনা উ-চারা কয়া থাখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা জোতিন ৱাইখোমনা হায়খি, উপাল-ৱাপাল য়োকখৎপা হায়বসি তঙাইফদ্রবা থৌদাংনি খন্না হোৎনমিন্নবা চঙই। ইনভাইরনমেন্ট কনবগী মরুওইবা খঙমিন্নবা তাই। উ থাবা য়াবা মফমশিং খঙদোকমিন্নদুনা উ-চারাশিং থাজিনসি। উ থারুরগা মফম চাদবদগী মপুং ফারকপা মতমদা য়ান্থুৎপনচিংবা তৌবা চুমদে। থারিঙৈদা মফম চানা থাদুনা মপুং মরৈ ফানা চাউহন্নবা হোৎনমিন্নবা তাই। তরুং ভিলেজগী অকোয়বা মফম কয়াদসু উ থাব য়াবা মফম কয়া লৈরি। উ থাবগী মফম খল্লগা ঙসি উ-চারাশিং থাবনি। থারিবা চারাশিং অসি নীংথিনা হৌহন্দুনা মপুং ফানবা হোৎনমিন্নবা তাই। ইনভাইরনমেন্ট কন্নবা হোৎনবদা উপাল-ৱাপাল য়োকখৎপা হায়বসি অসুক্কী মতিক মরুওই। মালেমগী মফম কয়াদা ঙসি ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোক্লরি। মসি ইনভাইরনমেন্ট কনবগী মরুওইবা কয়া লৈবননি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এক্স-মিনিষ্টর ডা. কে ঐচ লোকেন, এক্স-এম এল এ সলাম জয়সু শরুক য়াখি।

অকিবা ফাওরে

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস) : সিন্টমস উৎতবনা ইনমেটশিং টেষ্ট তৌদ্রবদি য়ুমদা পুশিনবদা অকিবা ফাওরে হায়না ৱাকৎ কয়া লাক্লি। থৌবাল এ সীগী মনুংদা হাংবা অনন্দ পুর্না স্কুলদা হাংলিবা কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবা ইনমেটশিং গার্জিয়ানশিংনা মখোয়গী অঙাংশিং টেষ্ট তৌবীদ্রে হায়বা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লি।

গার্জিয়ান অমনা ফোঙদোরকপদা, সেন্টর অসিদা লৈরকপা নুমীৎ ১২ শুরবসু টেষ্ট তৌবীদ্রে। সিন্টমস উৎত্রবসু নাবা য়াওবনা অঙাংশিং অসি টেষ্ট তৌদ্রবদি য়ুমদা হলহনবা হায়বসি খুদোংথিনিংঙাই ওই। টেষ্ট তৌদনা ইচম চন্না থমগদবা ওইরবদি য়ুম-য়ুমদা লৈহল্লবসু য়াই। মফম কয়াদগী লাকপা মীওইশিং পুল্লপ থল্লিবা সেন্টরশিং অসিদা অঙাংশিং থন্বসি খুদোংথিনিংঙাই ওইরে। হীরম অসিদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোক্লরক্লি।

ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম মফম কয়াদা পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস) : বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না ৱাহেং খুমনদা ইন্টিগ্রেটেদ ৱাটরসেদ মেনেজমেন্ট প্রোগ্রামগী মরিশুবা তাঙ্কক্কী মতেংগা লোয়ননা সেলেব্রেট বাইওদাইভর্সিটি হায়বা ৱাখল্লোন্দা য়ুনাইটেদ য়ুথ ক্লব, ৱাহেং খুমননা শীন্দুনা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট সনাতোম্বা, সেক্রেটরি রাজেশ য়ুম্নাম, ফাইনান্স সেক্রেটরি হেমাশিংনা লুচিংদুনা ৱাহেং খুমন ময়াই লৈকায় লম্পাক অমদি লম্বীগী নাক-য়েৎতা উ-চারা ৩০০ হেন্না থাখি। অশোকা ট্রী, লৈহাও, চম্প্রানচিংবা কয়া য়াওনা থাখিবা অদুদা ক্লবকী থৌমীশিংসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, চনুরা লমচিংলেন কংলৈপাক (সী এল কে)না শীন্দুনা ঙসি ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈননা সেঞ্জম চিরাংদা লৈবা ইবেন্দ্রৌ কৌনু ইমাগী মশাইকোলদা উ-চারা কয়া থাখ্রে। সী এল কেগী প্রসিদেন্ট ইবেমচানা ফোঙদোকখিবদা, গ্লোবেল ৱার্মিংগী অৱাবদগী কন্নবা অমত্তা ঙাইরবা পান্বেদি উ থাবনি। নুপীমচা ভেলেন্টিনা কৌবী অমনা মশানা থাবা উ পান্বী ককথৎলম্বগী মমিৎতগী মপি তাখিবা অদুগুম্বা কয়া থোরকপা মথৌ তারি হায়খি।

মরকসিদা, ওল লোক্তাক লেক ফিশরমেন য়ুনিয়ন মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না চম্পু-খাংপোক ফ্লোটিং ভিলেজ কম্যুনিটি হোলদা বাইওদাইভর্সিটি হায়বা থীমদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ইন্দিজিনস প্রোস্পেক্টিভকী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর রামনা চীফ গেষ্ট ওইখি। গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা অলাফুম্মগী সেক্রেটরি ও রাজেননা ইনভাইরনমেন্টকা মরী লৈনবা হীরম কয়াদা ৱা ঙাংখি। অলাফুম্মগী প্রসিদেন্ট দেবেনসু য়াওখি।

ফোর্মর জেদ আর এ, দ্রগকা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস) : তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি, টি ঐচ বিক্রমজিৎকী মীৎয়েং মখাদা তেংনৌপলদা অচৎ-অওক চেক তৌবদা মোরেদগী ইম্ফালদা থোরকপা ইকো ভেন (এম এন ০৫ এ/৩৫৬৯) খামদনা থৌরগা চৎখিবদগী তান্নরগা ফাখ্রে।

গাড়ী অদুদা তোংলকপা মীওই অমসু চেন্নবা হোৎনবদগী ঙরাং নুমীদাং ফাখি। মহাক্কী মমিং মাংহাওথাং (৩২), অপোকপা লৈখিদ্রবা লিয়ান কৌই। চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী সিংহাট সব-দিভিজনগী মনুং চনবা হিংতমদগীনি। মহাক হান্না জেদ আর এ য়াওরম্বা মীওইনি। মঙোন্দগী ফারবা পোৎলমশিং অদুদি, তোঙান তোঙানবা খাওদা য়াওরম্বা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেটনচিংবা পোৎলম ৫০,০০০ রোমনি। প্লাষ্টিক্কী সাপোন কেপ ৬তা হাপ্লম্বা ব্রাউন সুগরনি চিংনবা গ্রাম ৭৯, আধার কার্দনচিংবা পোৎলমশিং ফংলে হায়রি।

ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোক্লদুনা উ-চারাশিং থানখ্রে

KRISHI VIGYAN KENDRA, THOUBAL
CELEBRATION OF WORLD
THEME:- CELEBRATE BIODIV
DATE:- 5TH JUNE 2020
VENUE:-KVK THOUBAL
Thoubal in Collaboration with ATARI
Zone-V
and Dept. of
Manipur

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস) : মালেমগী অতে মফমশিংদা পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু ঙসি লৈঙাক্কী লোয়শঙ কয়া অমদি তোঙান-তোঙানবা লূপ কয়ানা শীন্দুনা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোক্লবগা লোয়ননা উ-চারা কয়া থাখ্রে।

হেল্ঠ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা লুচিংদুনা ঙসি কৈশাম্পাৎতা লৈবা দি আই পি আর ওফিস কমপ্লেক্সতা হিদাক কান্নবা অমদি ফজবা পান্বী কয়া থাদুনা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে পাঙথোকখ্রে। নিম, সম্বা, মায়োকফা, পুরৈরোম, আসোকা, চিংথ্রাউনচিংবা পান্বী মখল কয়া থাখি।

থৌরম অদুদা হেল্ঠ মিনিষ্টর জয়ন্তকুমারনা হায়খি, মালেমগী থাক্তা হোংলক্লিবা অঈং-অশাগী চাং অদু মায়োক্লনবা শেম-শাবা তাই। কোভিদ-১৯ লায়না মরক্তা চেকশিন-থৌরাং কয়া লৌখৎলি। দি আই পি আরদা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে পাঙথোকপসি নুংঙাই। কোভিদ-১৯গী তাঞ্জাসিদা ঐখোয় চেকশিন্না লৈবা তঙাইফদে। মতম-মতমগী লৈঙাক্না পায়খৎলকপা থৌরাংশিংদা সপোর্ট তৌসি। মীয়াম্না অপেন-পেনদা লৈরবসু মতম চানা খঙহনবীয়ু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা আই পি আরগী কম্মিস্নার এম জয় অমদি দিরেক্টর হৈস্নাম বাল কৃষ্ণসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, সেলেব্রেট বাইওদাইভর্সিটি হায়বা থীমদা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী শরুক অমা ওইনা কে ভি কে থৌবালগী কেম্পস অমসুং অকোয়বদা লোয়শঙ অসিগী সিনিয়র সাইন্টিষ্ট অমসুং হেদ ওইরিবী ডা. এস জেস্মারানিগী লীচিং মখাদা লোয়শঙ অসিগী ষ্টাফশিংগা লোয়ননা উহৈ পানবা অমসুং পান্দবা উ-চারা ১২০ লোম থাখ্রে।

জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীনা অমাক্সুগী মেম্বরশিংগা লোয়ননা ঙসি ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে পাঙথোকপগা লোয়ননা উ-চারা কয়া থাখ্রে হায়না একাদেমী অসিগী দিরেক্টর ইন-চার্জ বিলাসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অমরোমদা, গ্রুপ সেন্টর সী আর পি এফ লাংজিংগী দি আই জি পি লোকেন্দ্রনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি গ্রুপ সেন্টর সী আর পি এফ লাংজিংনা শীন্দুনা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈননা উ-চারা থাবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। গ্রুপ সেন্টর অসিগী দি আই জি পি ইরুংবম লোকেন্দ্রনা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। চম্প্রা পান্বী য়াওনা উ-চারা মখল কয়া থাখি। হৈক্রুয়াওনা উহৈ পানবা পান্বী মখল কয়াসু থাদুনা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী মতাংদা মরুওইবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি।

নেচর য়োকখৎপা, ঙাকপা তঙাইফদে : অৱাংবৌ ন্যুমাই

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস) : মীওইবগী পুন্সি কন্নবগীদমক নেচর ঙাকপা অমসুং য়োকখৎপা তঙাইফদে হায়না ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইনা ফোঙদোকখ্রে।

ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট, সঞ্জেন্থোংদা ঙসি পাঙথোকখিবা প্রোটেক্তেদ এরিয়া ওফ মণিপুর হায়না মিংথোনবা মিনট ২০ শাংবা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম রিলিজ তৌবগী থৌরমদা মিনিষ্টর অৱাংবৌনা হায়খি, ফোরেষ্ট অমদি ইনভাইরনমেন্ট কনবা অমসুং ঙাকপা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। নেচরেল কেলামিটিজ কয়া হৌখিবা চহী কয়াদা উরে। মসি মহৌশাগী খল কায়থরকপা কয়া অসিননি। ইনভাইরনমেন্ট কন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খূদিংমক্না থৌদাং লৌমিন্নবা তঙাইফদে। নেচর য়োকখৎপা হায়বসি মীওইবগী পুন্সি কন্নবগী য়াম্না মরুওইবা অমনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এদিসনল চীফ সেক্রেটরি এম ঐচ খান, পি সী সী এফ, কে অঙ্গামি, এদিসনল পি সী সী এফ অনুরাগ বাসপায়, দি সী এফ ৱাইখোম রোমাবাই অমদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা তাঙজফম উপাল হায়বা মিংথোনবা ফিল্ম অমসু রিলিজ তৌখি। ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোক্লবগা লোয়ননা ইনভাইরনমেন্টকী ওইবা হীরমদা অখঙ-অহৈ কয়ানা ৱাফম কয়া থম্নরি।

পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনবদগী কেস...

লামায় ১গী মখা... মশীংনা ১০২ নি। রিমসকী ভি আর দি এলদা ঙসি সেম্পল ৪৯৮ টেষ্ট তৌবদা কোরোনাভাইরসকী পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রবা অঙাং অহুম য়াওনা মীওই নিপান অদুদি মুম্বাইদগী হল্লকখিবা কামজোং দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী অহুম খক্তমক ঙাইরিবা অঙাং নুপামচা অনী, চহী ৬খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা অমসুং চহী ৩২ শুরবী নুপী অমা, দিল্লিদগী হল্লকখিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী ১৯ শুরবা নুপা অমা অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী ২০ শুরবী নুপী অমা, উত্তর প্রদেশকী দিওবন্দ-দগী হল্লকখিবা জিরিবামদগী মশাগী চহী ২৩ শুরবা নুপা অমা অমসুং বেঙ্গলুরুদগী হল্লকখিবা মশাগী চহী ৪১ শুরবা নুপা অমনি।

জেনিমসকী ভি আর দি এলদা ঙসি মীওই ৬০৬ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১১ অসি নুমিদাং অথেংবদা পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি। পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রবা মীওই ১১ অসিগী মনুংদা মুম্বাইদগী হল্লক্লগা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী জে এন ভি তুইনোম কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরকখিবী নুপী অহুম অমসুং সেন্ট পোল ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরকখিবা নুপী অনী য়াওরি।

তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট-শিংদগী ট্রেনদা হল্লকখিবা মীওই খূদিংমক্সু ট্রাভেল হিষ্ট্রি হায়বদি মখোয়না লাকখিবা নুমীৎ, করম্বা মফমদগী লাকখিবনো, ট্রেন মমিং, কোচ নম্বর, সীট নম্বর অমদি জিরিবামদগী ইম্ফাল ফাওবা লাকখিবদা তোংলকখিবা বস নম্বর য়াওনা মরী লৈনবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংগী ইন-চাজ‘শিংদা মাগী-মাগী অকুপ্পা দিটেলশিং পীশিল্লক্নবসু কোভিদ-১৯ কমন কন্ট্রোল রূমদগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এদিসনেল দিরেক্টর অমসুং স্পোক্সপর্সন ডা. খোইরোম সশীকুমার মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চৈরকসিদা, ইন্দিয়াগী অপূনবা কোভিদ-১৯গী কেস ২,৩৫,৮৬৭ শুখ্রে। খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মীশিং ৬,৬৬২ য়ৌরে। নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ১,১২,৯৯৭ শুরে। মালেমগী অপূনবা কেস ৬৭,৬৭,৪১৯ য়ৌরে। শিখিবা মীশিং ৩,৯৫,২৮২ শুরে। নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ৩২,৯৭,৩৩৭ নি।

ডোক্তর ৩০০ নৌনা...

লামায় ১গী মখা... মণিপুরদা মেদিকেল ওফিসর ৯০০ লোমগী অৱাৎপা লৈরি। ওল্ড এজ পেন্সন স্কিম- এম সী এস (পেন্সন রুল ১৯৭৭) ফোর জেনিমস ইমপ্লোয়ীশিংগীসু অয়াবা পীখ্রে। ষ্টেট হেল্ঠ দিপার্টমেন্টকী মখাদা হান্না থবক তৌরম্বশিংগী ওইনা অয়াবা পীখিবনি। আই সী ঈ (ইলেক্ট) ইন পাৱর, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর সপ্লিমেন্টরি পোষ্ট প্রপোজেল অয়াবা পীখ্রে। মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটি সেক্রেটরি ওইনা সঞ্জুবু খনবা হায়নসু ৱারেপ লৌখ্রে। দি এম কোলেজ ওফ টিচরস এদ্যুকেসনগী ফুল টাইম টিচর এপোইন্টমেন্ট অমদি পোষ্টক্রিএসনগী মতাংদসু মীফম্না খন্ন-নৈনদুনা অয়াম্বা য়ানখ্রে। এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র ইন পি ঐচ ঈ দি, মাইনর ইরিগেসন অমদি ৱাটর রিছোর্সনচিংবগী রিক্রুটমেন্ট রুল ৱান টাইম রিলেক্সেসনগী ৱাফম মথংগী কেবিনেটতা খন্ননবা দিফর তৌখ্রে। হেল্ঠ সর্ভিস রুল এমেন্দমেন্টকী মতাংদসু কেবিন্টেনা খন্ন-নৈনখিবগা লোয়ননা অয়াম্বা য়ানখ্রে।

এম এল এ ৭কী এম সী কেসশিংগী...

লামায় ১গী মখা... মিসেলিনস কেসশিং অদুগী নম্বরশিংনা এম সী (দল্লিয়ু পি (সী)- ৮২ ওফ ২০২০দগী ৮৮ ওফ ২০২০ ফাওবনি। কেসশিং অসিগী পিটিস্নরশিংনা কোংগ্রেস এম এল এ খুমুকচম জয়কিষন, সুর্জকুমার ওক্রম, কাংঙুজম রঞ্জিৎ, কৈশাম মেঘচন্দ্র, দি দি থাইসি, ওক্রম হেনরি অমসুং গোবিন্দদাস কোন্থৌজমনি। কেসশিং অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লিগী স্পিকর অমসুং সেক্রেটরি অমদি দিফেক্টরশিংনি হায়রিবা এম এল এ ওইনাম লুখোই, ক্ষেত্রিময়ুম বিরেন, পাওনম ব্রোজেন, সনসম বির, ঙমথং হাওকিপ, গিনসুৱানহাও অমসুং য়েংখোম সুরচন্দ্রনি।

থা অসিগী ৩দা জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চনা পীখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না এম সী কেস ৭মক ঙসি বেঞ্চ অসিগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর-৩দগী ৯ ফাওবদা পুল্লপ লিষ্ট তৌখি। কোর্টনা কেসশিং অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নর কোংগ্রেস এম এল এশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল কপিল সিবল, স্পিকর অমসুং সেক্রেটরিগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল কে ঐচ তরুনকুমার অমসুং এস চিত্তরঞ্জন অমসুং রেস্পোন্দেন্ট এম এল এ ৭কী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাওনমগী সবমিসনশিং কোর্টনা তাখি। লোয়ননা কোর্টনা পার্টিপুম্নমক্কী মহুৎ শিনবা কাউন্সেলশিংগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা কেসশিং অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর রিজর্ভ তৌখিবগা লোয়ননা মসিবু লাক্লিবা নিংথৌকাবা (জুন ৮, ২০২০)দা লাউথোক্লগনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, মিসেলিনস কেসশিং অসিদা মসিগী পিটিস্নরশিংনা মখোয়না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌখিবা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর- ২২০ ওফ ২০২০দগী ২২৬ ওফ ২০২০গী মথংগী প্রোসিদিং থা অসিগী ১০দা চথনবা বেঞ্চ অসিমক্না লেপখিবা মতম অদুসু নুমীৎসিদগী খরা ঙনখৎনা লেপ্পীনবা প্রেয়র তৌরকখিবনি। সিভিল রিট পিটিসনশিং অসিদা পিটিস্নরশিংনা স্পিকর ট্রাইব্যুনেলদা পন্দুনা লৈরিবা দিসক্বালিফিকেসন পিটিসনশিং অথুবা মতমদা দিস্পোজ তৌননবা দিরেক্সন পীবীয়ু নৎত্রগনা কোর্টনা এপ্রোপ্রিয়েট ওইবা থবকশিং লৌখৎপীয়ু হায়জরকখিবনি।